## ওন্থোকপা নুপাদা নয়ূম পাল্লুইদকো
### ৱায়েলশঙগী মতেং লৌরগা শেৎন-খায়নবা য়াগদৌরিব্রা

'নিংথৌ শেম্বা য়াওরুনু' অমসুং 'নুপী শেম্বা য়াওরুনু' হায়বা ৱাফমসি থায়নদগী চিন্থাং য়৫না হায়ন-শরুরক্লুবনি। মসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনদি হায়নরক্লোই। নিংথৌ শেম্বা য়াওরুবদদি 'অঙাং ওনবা' ফাওবা য়াওই হায়বগী থাজনবা মমি অমসু ৱাফমসিগা লোয়নরক্লিবনি। অদুনা থবকসিদা য়াওশিল্লুনু হায়বনি। নুপী শেম্বগীনা কম্মাই তৌবা অমসুং কমদৌবা? নীংথিজনা ময়ূম-মকৈ পান্দুনা, চাদা-নৌদাগা তাদনা হরাও-হরাও নুংশি চান্ননা য়ূম্বানমিন্নখ্রববুদি য়াম্না ফবা অমসুং শিঞ্জ-শেমজবদগী খুয়া তুশিৎনা হেক পাল্লিদা হায়বদুমক থোকপগী ৱানি। অদুবু নুপীরোমদগী ওইগেরা, নুপারোমদগী ওইগেরা পূন্সিগী মপাং অমসুং খোঙলোই ওইমিন্নহন্দোইনি হায়দুনা শেম্লুরগা অমত্তা ওইনা পকশিন-ৱাইশিন্নদুনা য়ূম্বান পূন্সি ওইমিন্নরকপা ঙমদ্রগনা নুপা অমসুং নুপীদুগী য়ূম্বানবগী পূন্সিনা কাং-খোং চাইরক্লুগনা করি ওইরকপা অমসুং করি থোরক্কদগে? ফরগা অদুম্মক পঙফদা ফখিবা, মখল অমত্তগী থৌওং অমসুং পান্বৈনা শেৎন-খায়নহনবা ঙমদবা মখৈ চেৎপক্লনা অমত্তা ওইবা মপুম ওইমিন্নখিবসু য়াওবা জাৎনি। অদুগা মসি পূম্নমক্কী ওন্ন-তৈনবদা য়ূম্বানমিন্নগদবা নুপা-নুপীদু অমত্তা ওইমিন্নবা ঙমদবা, ঈশিংগা-থাওগা ওইরক্তুনা শলাক শারকপা, 'হৈনৌজোম য়ূম্বান তেলঙ্গা য়াহিপ' হায়বদুগুম্না থোকপা অমসুং থোক্তবগসু য়াওমান্নে হায়বগী ৱানি। চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈগীদি নুপা-নুপী য়ূম্বানমিন্নবগী ফজবা চৎনবী অমা লৈজরকই। য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদামিন্নহনগনি হায়বা নুপা-নুপী অনীগী মরক্তগী নুপাগী ইমুংনা অমসুং কাঙবুনা নুপীগী মায়কৈদা হায়বা চৎপা, মাঙ্গোল কাবা, ৱারী-ৱাফম তুপথোক্লবা, ৱারোইপোৎ পুবনচিংবা থবকশিং পাঙথোক্লরকই। নুপা অমসুং নুপীগী শাগৈ-নাতৈ য়াওনা মমা-মপা, মপু-মবেন ফাওবগী লীক্লম ফাক্কৎনদুনা য়েংনৈ। পক্ল-ৱায়নবা অমসুং ৱায়নদবগী মতাংদা থাজনরকপা থবক খুদিংমক পাঙথোক্লে। হায়বদি তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কূপ্পী হায়রিবা য়ূম্বানলোন খঙনা য়ূম্বানমিন্নরক্লবা মথৌ তাবা থবক পূম্নমক পাঙথোক্লরকই। চুমসু চুম্মীনি। থবকশিংসি তৌদবা য়াদবনি। য়ূম্বানবা হায়বসি থথাগী থবক নত্তে। চারোন শুরোন লৈহল্লক্তুনা লৈবাক-খুন্নাইগী শরুক অমা ওইরক্কদৌরিবনি। করিগুম্বা'মা শেম-শাবদা য়াম্না লুবসু শোয়দনা য়াওগনি। অদুবু মদুনা য়ূম্বানবা অমসুং অঙাংশিংবু মী ওইনবা শেম্বদগী হেন্না লুবদি নত্তে। ইশম-শম্বদা য়ূম্বানবগী অরুবদি মপাল নাইদে। হীরম অমত্তগা চাংদম্নরুবা য়াদে।

অদুবু মতমগী মতুংইনবা হায়গদ্রা অনীংবা-অপাম্বশিংদগী থবক ওইনা পাঙথোক্ল রক্তুনা অনৌবা চৎনবীশিং ওইহন্নবা হোৎনরক্লিব্রা কৈনো 'নুপী চিংবা' হায়বসিবুদি চহী কয়াগী মমাঙদগী তৌনরকপদগী তারকপা কুইরে। নুপা অমনা নুপী অমগী মখূৎ খুদাংবু পায়খ্রবদি 'ৱা লোইরে' হায়। হায়বদি নুপীদু নুপাদুগী ওইখ্রগনি, মখোয় অনী পূন্সি লৈপুন শেমখ্রগনি হায়দুনা লৌনরকই। থবক ওইনসু পাঙথোক্লরকই। চৎনবী অমা ওইরকখি হায়বনি। অদুবু মসিদগী খরা থৈথরক্লগা 'নুপী চেনবা' হায়বা'মসু তৌনরকই। মসিদসু মশা-মশা য়ানদুনা চেনবসু য়াওই, য়ানদবা য়াওবদগী নুপাদুনা মাগী ওইননবা নমদুনা ফা-পুল্লগা চেন-চোংবসু য়াওবা থেংনরকই। নমদুনা চেনখিবা ওইগেরা, চেনমিন্নখিবা ওইগেরা চেল্লুরবা মতুংদা ফাদোক্তুনা শেৎন-খায়নহনবগী থৌদোকসু থোরকপা য়াওই। লুহোংবা নৎত্রগা 'কৈন্য কৎপা' নচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্লনবা হোৎনরকপদা ৱালু-নুংলু কয়া থোক্লরকপা য়াওই। মনা-মনিল অমসুং শোৎ-প্রেক লাওদনা তূমিন্না তৌফম থোকপশিং পাঙথোক্লগা নুংশি-চান্ননা, চাওখৎমিন্নদুনা নুংঙাইবনা কেবাক থোক্তুনা পানমিন্নখিবসু য়াওই। অদুবু হৌজিক্কী মীওইবা অমগী পূন্সি ওইরিবা চহী ১০০সিসু য়ৌদ্রিবা, শুননবদি শুম নকশিল্লক্লিবা মীরোল অমগী চহী তঙ্খাইদি হেঞ্জিল্লক্লবা মতম অমদা থোকখিবা অমত্তা ওইমিন্নদুনা য়ূম্নাক, মমিং-মথা ওনবগী থৌদোক অমা থোকখ্রিবদুবু 'ইবেম্মা, নহাকসে ওন্থোকপা নুপা অমদা নয়ূম হেক পাল্লুইদা' হায়নরক্লিবা করিগীনো হায়বনিদা? য়ূম্বানমিন্নরগা অমত্তা ওইমিন্নদুনা হরাও-হরাও লৈমিন্নগদবদা শেম্বীগে-শেম্বীগে হায়দুনা মখূৎ খরা ককথৎ, মখোঙ খরা ককথৎ তৌদুনা তিন্থোক য়াংদৌ চোংবদৌনা ফ্রিং-ফ্রিং চোংদুনা লৈহল্লকপদগীরা নৎত্রগা পীজরিনি, পীথক্লিনি হায়দুনা 'য়োংগী তলয়েন' তৌরকপদগীরা হংবনি। অমত্তা ওইমিন্নদুনা য়ূম্বানমিন্নরিবনি হায়দুনা শা-ষণ, হূইদৌনা মখোঙ-মঙক্তা থৌরী কোঙ্গোইনা হুকচিল্লগা থম্বা, চারম-থক্লম মথোঙ খঙহন্দবা, মীনি হায়দুনা লৌবীদবগী মথক্তা মপাম লমদম্লুসু শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা শলাক শাহন্নবা হোৎনরকপা, ঙাইহাক লৈরগা মশক-মমিং অমদা অমুক ওন, অমদা অমুক ওন তৌরক্লিবসিদবু থম্মোয় লাইমন কাদুনা থবাক খূত্তুম শুরগা খূৎশা তরা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা লৈরোইদবগী মরম লৈরিব্রা হংবনি। ফীভমসি য়ৌশিল্লক্লবদি নুপা মশীং য়াম্মী, ময়ূম চেন্নাই নাই হায়গেসু হায়রসনু, শেৎন-খায়নরক্লগা নংবদা নঙ্গল পায়দুনা চফু-উয়ান মিরাং থুরক্কেসু থুরক্লসনু। শিবা-চঙবগী লংদাইদা ফেরে-ফেরে হাইদুনা লেপ্লবসু ৱা লোইথোক্লবনা ফরক্লুগদ্রা খল্লকপা য়াওনরক্লে হায়বনি। নুপীনবু মোংফম অনী শুনীংবা হৌনদে। নুপী খুদিংমক লায়রবা মপুরোইবা ওইরবসু মহাক্কী নুংশিবা মীৎয়েং খাদা চাদ-লৈত্রসু খোঙফম চেৎনা অমসুং হোংদনা লৈজনীংবা ঙাক্তনি। মিৎকুপ খুদিংগী য়ূম্নাক হোংববু করম্বা নুপীনা পাল্লমগদগে? অদুবু ফীভমনা য়ারক্তবা য়ূম্বান পূন্সি অমা চাউথ্রোক-চাউনা থেংনরে। অহানবদা মথি ফোংলমদ্রবসু কুইর-কুইরগা মশোং উরক্লে। লাপ্নরিঙৈদা লাই ওইরম্বদু নকশিন্না লৈমিন্নরক্লবা মতুংদদি হিংচাবা ওইরক্লে। করিনুংগী য়ূম পাঞ্জরুবনো হায়বদু য়ৌরে। অসুম-অসুম য়োং মানশিল্লক্লে হায়বনি। হৌজিক করি তৌগদগে? মচা য়াঙ্গোন অমা পোক্তুনা চহী কয়া য়ূম্বানমিন্নরকপসু শেৎনৈ-খায়নৈ অমসুং কায়নৈ হায়দুনা খোঙফম হন্দোরক্কদ্রা নৎত্রগা নে-তাবা য়ূম্বান পূন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা মথৌ তাবশিং হায়দুনা তান-তিক্লগদ্রা হায়বনি। য়ূম্বান পূন্সি মখলসি উবদগী ৱাহং অনীসি ফোংনা অমসুং লোন্না হংনরকপা কুইশিল্লক্লবনি। ৱাহংশিংসি চোংথোরকপদগী ফীভম খজিক হোংদোকহল্লকপা হায়বদুসু ওইদ্রে। অদুবু শায়র-শায়রগা ওইনম্মী, ফম্বা কল্লগা ফম্মেন ফম্মী হায়দুনা খা চিক্তুনা অখাঙ কনখিগদ্রা? ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়দুনা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা ইপুরোইবগী মপাঙ্গলনা কনব্রা, লায়রবগী য়োৎপাক্লা থৌব্রা হায়দুনা ঙমথোক্লবা'মা মথৌ তারক্লব্রা হায়বনি। য়ূম্বানলোন মখলসি য়েংহৈদ্রে অমসুং উহৈদ্রে। মহি পুল্লাং লাংলে। শলাক শারে। অনাবসি অঙাং নৎলক্ত্রে। অমুক হন্না লৌবীনবা লৈতদুনা নাইতোম ময়ূম পানবা খঙদদুনা লৈগেসু লৈরসনু। অঙম্বা শুজ-নোমজদুনা হিংনবা থেক-থেক্লা হোৎনজনি। মীয়াম্না তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরগা করিনোমা তৌবা চুম্লনি। য়ূম্বান-কৈবানসিদি য়েংবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইত্রে!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৫২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অৱাং থাংৱাই লৌহন চীঙদা। থেললেল মাইথোং মকা লাংনা তালফুংবী। লাললোই লম মরু। কংলৈ লমমাখাদা। য়োইবু শুমাং উখিল মীংচৎনবী। কংলৈ পুঙফালনবী। অহোং তালফংবী। নুংখা চীঙগী চীঙ নিংথৌ । হুয়েল লুমলাংবা মিংকৌবা। মখদাং ফিমু ফায়েৎনবা। কোকলেল ককচাক শমখোমননা। শোংবা খংৱাই থাং কৌবা খুৎশু থাংনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯵꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯈꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯑꯔꯥꯡ ꯊꯥꯡꯔꯥꯏ ꯂꯧꯍꯟ ꯆꯤꯡꯗꯥ꯫ ꯊꯦꯜꯂꯦꯜ ꯃꯥꯏꯊꯣꯡ ꯃꯀꯥ ꯂꯥꯡꯅꯥ ꯇꯥꯜꯐꯨꯡꯕꯤ꯫ ꯂꯥꯜꯂꯣꯏ ꯂꯝ ꯃꯔꯨ꯫ ꯀꯪꯂꯩ ꯂꯝꯃꯥꯈꯥꯗꯥ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯁꯨꯃꯥꯡ ꯎꯈꯤꯜ ꯃꯤꯡꯆꯠꯅꯕꯤ꯫ ꯀꯪꯂꯩ ꯄꯨꯡꯐꯥꯜꯅꯕꯤ꯫ ꯑꯍꯣꯡ ꯇꯥꯜꯐꯪꯕꯤ꯫ ꯅꯨꯡꯈꯥ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯆꯤꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯨꯝꯂꯥꯡꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ꯫ ꯃꯈꯗꯥꯡ ꯐꯤꯃꯨ ꯐꯥꯌꯦꯠꯅꯕꯥ꯫ ꯀꯣꯛꯂꯦꯜ ꯀꯀꯆꯥꯛ ꯁꯃꯈꯣꯃꯅꯅꯥ꯫ ꯁꯣꯡꯕꯥ ꯈꯪꯔꯥꯏ ꯊꯥꯡ ꯀꯧꯕꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯊꯥꯡꯅꯥ꯫ ●

## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৪৬ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

শুমাং লীলা হায়সি খ্বাইদগী চম্বা, থোইদোক্লা কা হেন্না শিন লাংবা য়াওদনা শুমাং অমদা ময়াম্না ইকোয় কোয়না হেক্তা ফম্মগা, শুমাংগী ময়ায়দা ৱা অনী য়ুংলগা ফৈনা লাকশিল্লগা পেট্রোমেক্স অমা থাল্লগা লীলা শান্নরম্বনি। য়েংলিবা ওদিএন্সশিংনা ইনক-নক্লা ফম্মগা লীলাদু য়েংনৈ। মসিনসু মরম ওইরগা লীলা য়েংলিবা ওদিএন্সশিং অসিগা পূন্না-পূন্না ৱারী শানা-শানদুনা লীলা শানৈ। নাকল অমরোমদা লীলা য়েংলিবশিংগী ইঙ্গিৎ অমদি মখোয়গী সপোর্ট অদুনা শুমাং লীলানা মতিং লৈনা শান্নবা ঙম্বনি হায়না ঐদি লৌই। ওদিএন্সশিং অসি য়াম্না নুংশি ঐখোয়গী অশোয়বা কৈদৌবা লোইনা হায়বীরক্কনি। মদু চুমথোক্লবগী তাঞ্জা আর্টিষ্টশিংনা ফংই। খোঙ্গ্রাও চেন চিংখৎতবা, খোঙ্গ্রাওদা ফুরিৎ নমশিনবদা মচিন নান্থোকপা, নুপী শাবীগী ফিরোল কোম্মকপা অমদি অতৈ-অতৈ অশোয়-অঙাম মচা-মচাশিং অদু ওদিএন্সনা তূমিন্না হায়রক্কনি, নৎত্রগা ইঙ্গিৎ তৌরক্কনি। ওদিএন্সশিংসু য়াওনা লীলা শান্নমিন্নবনি হায়না লৌই।

ঐঙোন্দদি মসিগী খুদোংচাবা অমদি অশোয় অঙাম কয়া অসি ওদিএন্সনা হায়বীরকপদগী য়াম্না শেমদোক শাদোকপগী তাঞ্জা ফংখ্রে। অহানবা ঐখোয়না লীলা য়াওবা হৌগৎলকপদা খোঙ মোজাসি অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। থবক অমা চৎলুবদগী খোঙ মোজা তোংলক্তনা চপল অমা তোংলগা লীলা শান্নবা লাকপা য়াওই। মোজাদুদি হোরেন মী অমদগী ৱায়রগে হায়না ইরায় লায়না লাকপা অদুম য়াওই। ঐসু অদুম ৱাই, মীনসু অদুম পী। তৌবতবু লীলাদা তোংনরুরবা মোজাদুদি মওং কয়া তাদ্রে। মরমদি মোজাদু তোংলগা উফুল ৱাইফুল অমদি লৈখোম লৈরম্লবসু নেৎলগা চঙদৌরিনি। নুঙ লৈরম্মে, চৈতেক লৈরম্মে নেৎশিনবদা শেগাইদৌরিনি। শেগাইদবসু য়াওই। অদুবু অয়াম্বনা মওং অমা ইতা তাদে। ঐখোয় লীলা শান্নবদা নোংমদা লীলা অহুম মরিগা লৈরবদি মোজা এক্সত্রা পুই। মোজা শিনবদদা ওন্থোক্লা অৱাবা অমনি। লীলা খুদিংগী মোজা অমমম লৈবদি ঙমপোৎতে, অদুনা মোজাদু নম-নমদুনা খরা অদুম শীজিন্ননবা হোৎনৈ। খোঙ মোজাগী য়াম্না শেগাইগল্লিসি খোঙবী মপাগা খুনীং মপাগনি। মসিদি মোজা খরা ফত্তবগসিদি মোজাদু অহনবনি হায়বগী ৱানি, খোঙবী হেক্তা লিৎথোক্তুনা লৈরমগনি। ফুরিৎ-ফিরোল নান্না শেৎলগা ঘড়ী শিদুনা, আনোক উপ্পগা, পেটি ফজবগা ফারদনা ফুরিৎকদু খোঙ্গ্রাও মনুংদা ফজনা নমশিল্লগা, শমগা পোজ শেম শেমদুনা হাৎলগা নান্না থোরক্লগা মোজাদুদা খোঙবী লিৎথোক্লগা লৈরম্বসিদি শাথীনা বেরা কাখ্রজাৎনি। ঐদি মোজা শেগাইদনা খোঙবী লিৎথোক্লে হায়বদি খঙপোক্তে, অদুনা মুক্তনা থোরক্লগা খোঙবীদুদি ইঙান ঙানখৈ লিৎথোক্লবনিনা ফজরে য়েংবদা। ওদিএন্সনা হায়বীরক্কদৌরিনি। খ্বাই মমাঙ ফম্বশিংদুনা "ওজা খোঙবী লিৎথোকএ" হায়না। ঐনা তাঞ্জা য়েংলগা তৌশিন্নরগা মোজাদু মচিন অমা পায়রগা চিংথোক্লগা খোঙবীদু লোৎকদৌরিনি। অদুবু য়াদে, হেক্তা লিৎথোকই। অদু ঐনা ওদিএন্সকী মনাক্তা চঙশিনগনি। মমাঙদা ফম্বা লৌশিং লৈবা ওদিএন্স অমনা মরু ওইনা ইখা থাবা অঙাংশিংনা খোঙবী মপাগী মোজাদু চিংখৎপীরগা শেম্বীদৌরিনি। ঐদি মদু থৌওইনা য়েংলুদনা ঙাঙফম থোকপা দাইলোগ ঙাঙদুনা এক্টিং তৌদৌরিনি। শোমদনা মখাদা ওদিএন্সনা ঐগী মোজা শেগাইবদা খোঙবী লিৎথোকপদু শেম্বীরিনি কয়া নুংশিখ্রবা, কয়াদা চাউনা মতেং পাংবীরিবা ওদিএন্সনো? সিদবু ঐনা শুমাং লীলা ওদিএন্স য়াওনা পূন্না লীলা শান্নমিন্নবনি হায়রোইদৌরিসি কৈনো? য়াম্না সপোর্ট তৌবীখ্রজাৎনি।

খুনীং মপাদা শেগাইবা, অদুনা খুনীংসি মপান থোকপসিসু অৱাবনি। অদুনা খোঙ মোজাসি লীলাদা মতেংসু পাংই অদুগা লীলাদা অয়েংবশিংবুসু পূক্লিং থৈদোকহল্লি। ঐখোয় মশেন লীলা তৌমিন্নবশিংনা, মরু ওইনা নুপী শাবীশিংনা কমপ্লেন্ট য়াম তৌই। য়ারদি শেলসু ফংনরিনি, খোঙ মোজা শেগাইবসিমদি লীলাদা য়ারিখৈ উপ্পীগনু, লীলাদা য়াম্না কায়। সিগী ৱাসি তোয়না-তোয়না হায়। হায় হায়বৈ ৱানি, কৈসু নুংতিগী মোজা লৈবা ঙম্বা নত্তবনিনা খরা ফোৎলগা অদুম য়ারিখৈ শীজিন্নৈ। তৌবগীবুদি, লীলাদু কন্না শান্নখৎলকপা তাঞ্জাদা, মী করেম কথাইনবা, মী উশিত্তবা ওদিএন্সসু অদুম য়াওবনিনা ওন্থোক ওন্থোকপা ৱাতা য়াম্না শীজিন্নরকই। মোইনা হায়বদুগী মনুংদা থৱায় য়াম চাকপসি, "লীলাবুদি য়াম্না নুংঙাই অদুবু খোঙ মোজা শেগাইবদি য়ারিখৈ তোংবীগনু" সিনা লীলা লোইরবা মতুংদা হায়বা ৱানিকো। লীলা কন্না শান্নরিঙৈ মনুংদগা লাউরকপসিদি, ভাবোক ময়ামসি ৱা লাউনা হেক্তা নোকপনি। খঙদবসু খঙই, উদবসু উরে হায়দুনি। "হিরোগী মোজা শেগাইরে, হিরোগী মোজাদু অমা শিনবীয়ো, খুনীং উরে" সিনিসে। সিদবু কনানা ৱা লাউরোইদৌরিনো। শাথিবা হায়বু, মোজাসি তোংনা তোংনা তাহৌবা য়াওরিবনি। মরমদি মোজাদা য়াওবা এলাষ্টিক লোইনা তৎখিদনা, খোঙদা লাকশিনবা য়াওদ্রে। অদুনা খোঙগী মথক্তা চিংখৎলিবা মোজাদু সুম লাউথোরক্তুনা কোমথরকপা, মখাদনা ঈশিং অমুক নেৎ, লৈবাক অমুক নেৎ তৌদনা মখাদু পুমথা থাগৎতনা লূমথরকপদগী মোজাদু উপ্না উপ্না তাহৌবা য়াওরিবনি। অদুসু ভাবোক্লা "মোজা তাহৌরে, মোজা তাহৌরে' হায়না লাউরকইবনি। মী ইকায়নি ইকায়রোইগা খনবীবা নত্তে। ভাবোক হায়সিসু নুংঙাইখ্রবনি। থোইদোক্লা কৈসু থোইনা খল্লুবা নত্তে।

লীলা শান্নরিনি হায়না তৌরিদো, লীলাগী ময়ায়দা চ্যের অনী অদুগা টেবল অমা থানৈ। চ্যেরদুদগা ফম্মগা এক্টিং তৌবগী মতাংসু অদুম লীলা-লীলাগী মতুংইন্না য়াওরিবনি। মদুদা তুংদা অদুম ভাবোক্লা লোয়ননা ফম্মীন্নরবনিনা, ৱারীগা হৌজিলকইনি। হায়ফেৎকা খুম্মুবদা তুংদা ফম্মী ময়ামদুনা অমুক ৱা লাউনা নোক্কদৌরিবনি। অদুবু মতাংসিদা পন্নীংবা অমনা, ঐখোয় লীলা শান্নরিবা আর্টিষ্টশিং অসিদি তাইবঙ অমদা তাউরিবনি। হায়বদি লীলাদুগী করেক্টর অদুদা চংশিল্লবনিনা ৱাখল পূক্লিং খুদিংমকশিং অসি লীলাদুদা লুপ্পীবনি। শোয়দনা ঙাইহাক্লা রিলেক্স তৌরুবদা ওদিএন্সশিং অসিনা ওনশিন্দুনা ৱারী হৌজিল্লক্কদৌরিবনি। মদুদা য়াওরুবা য়াবা নত্তে। হেক য়াওশিল্লুবদা, লীলারোমদা কায়রকই। ওদিএন্সতি আর্টিষ্টতুগা ৱারী ঙাইহাক শানবদা নুংঙাইজরিবনি। ৱারী শানবা হায়না শানরিদুসু চামোই-থুমোইনবা ৱারী নত্তে, কারন ঙাক্তা হায়রক্কদৌরিনি। ৱাফৈ য়াম্না ঙাঙইদা হায়না খিত্তং চৈরপ খুম্মুরেদনা অদুসু ৱা লাউনা নোক্তৌরিনি। অদুদি লীলা শান্নরিবা অতৈ আর্টিষ্টশিংদা দিষ্টর্ব তৌরে। অদুগীসু মথক্তা য়েংলিবা ময়ামদসু নুংঙাইহন্দবা থোক্লেদনা। সিনি লৈরিবা ফীভমসি।

য়াম্না নোক্লিংবা থৌদোক অমগা লোয়ননা ঙসিগী নীংশিং ৱারী অসিগী থোঙনাওসি লোনশিঞ্জগে। লীলা অমা শান্নে, ঙল্লিঙৈ মতমগী ৱানি। নোংসু থিৎলি-থিৎলি চুবা, কন্না চুবসু নত্তবা, অমুকসু অদুম হাংবা লীলাদু লম্পাক অমদা শান্নবনি। অদুগা ফি শেৎফমদুগা খরা লাপ্নে। লীলা শান্নবদা মোজাদু তোংবনিনা নোংগা খরা চোৎলুবগী মোজাদুদি ফজরে, অদুগা অমুক উফুলদা খরা নেৎ, নাপীদা খরা নেৎ, লৈবাক্তা খরা নেৎ তৌদুনা মোজাদু খোঙউপ অমদৌনা লূম্মে, মোজা মখাদা পক্লিবা লৈবাক্তু লৌথোকপা ফাও হেক মতম শংদে। মোজাদুদি লূমগা লূমশিল্লকপদুদা খোঙলোমদা সুম-সুম শাঙদোরক্লে। অদু ঐখোয়দি লীলাদু কন্না শান্নরিবা কৌবনিনা থোইদোক্লা খঙহৌদ্রে, খঙহৌরম তারদি পায়রগা খরদা ওইরসু চিংখৎলম্মদি ফদৌবা। অদুসু তৌহৌদ্রে খঙহৌদবনিনা। অদুনা লীলাদু সুম শান্নবদা এক্টিংগী মতাং অমদা খোঙসি হায়ফেৎ থাঙ্গৎলগা "মসিদি থোক হেক কাউশিনবু" হায়না এক্টিং তৌবদুদা খোঙদগী মোজাদু শৎ লাউনা নাম্থোরক্লগা লীলা য়েংলিবা মীগী মমায়দা ফাক লাউনা অমুক্তং থাখিবু। ভাবোক্তুনা কয়া থীনা শাওরকখ্রে। মাদি মমায়দা থাবগী নাবগী ৱা নত্তনা শাওনীংলিবনি। অদুগা অতৈনদি মতৌদুদা ৱা ৱা নোক্লিবনি। অদুগা ঐনা শোমদা ইকায়রিনি। নুংঙাইখ্রবা জাৎনি শুমাং লীলা হায়সি। অমনা শাওনি, অমনা নোক্লি, অমনা ইকায়নি, অমনা কপকনি। লৈরিবা মী পূম্নমক্কী মূদ অমদি মী পূম্নমক্কী ইমোশন অমত্তা হেক মান্নদে। মা মানা খনবদো অদুদা শুমাং লীলানা পুরগা চৎকদৌরিবনি। লীলা অমা চপ মান্ননা শান্নবদা য়েংলিবদুসু চপ মান্ননা য়েংমিন্নবদা, য়েংলিবা মীশিং অদুগী মূদ লোইনা খেন্নরিবনি। কনা অমনা নুংঙাইনা, কনা অমনা শাওনীংনা, কনা অমনা নোক্লিংনা অদুগা কনা অমনা পেহৌননা য়েংলিবনি। সিনি শুমাং লীলা অমগী অরোনবা মতিক ময়াই হায়রিসি। ●

## ঐখোয়গী ৱাখল্লোন/এট্টিচ্যুদ

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৫০
ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার

পূন্সিদা মায় পাকপা-পাক্তবা হায়বসি ঐখোয় ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি থবক তৌথোরকপদা (এট্টিচ্যুদ) য়াম্না লৈরে। ঐখোয়না করম্না মায়থোঙদা, হকচাংদা ফোঙদোকই (gesture and body language), করম্না ৱা ঙাঙথোকপগে, ফোঙদোকপগে অমদি করম্না থবক তৌথোরকপগে হায়বসি ঐখোয়গী এট্টিচ্যুদ অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা, করিগুম্বা ৱা অমা ঙাঙথোকপদা ঐখোয়গী মায়থোঙ অমদি হকচাংদা অচৌবা মমি তাই। মতৌ অসুম্না ঐখোয়না থবক অমা তৌথোরকপা মতমদসু ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অদুগী অচৌবা মমি তাই।



ঐখোয়গী ৱাখল্লোন/এট্টিচ্যুদসি মরু ওইনা পোজিটিভ অমদি নেগেটিভ হায়না খায়দোক্লিবসি ময়াম্না হেন্না খঙনবীরবা ৱাফমনি। পোজিটিভ ওইনা খনবা মীওইশিংনা ঙমগনি হায়বরোমদা চৎলি অদুগা নেগেটিভ ওইনা খনবশিংনা ফত্তে, ঙম্লোই হায়বরোমদা চৎলি। নেগেটিভ এট্টিচ্যুদ লৈবসি মঙাল য়াওদবা অমম্বগুম্বনি। অদুগা পোজিটিভ এট্টিচ্যুদ লৈবসিনা মঙাল লৈবা ইলেক্ট্রিক বল্বকুম্বনি। পোজিটিভসি ৱাংলিঙৈ ফৈ অঙানবা ইলেক্ট্রিক বল্বকুম। অদুম ওইনমক য়াম্না নাপল কাবদি ফত্তে। ইশাগী পোজিটিভ এট্টিচ্যুদসিনা ইশাদা মঙাল পীবতা নত্তনা ঐগী ইচা-ইশু অমদি ইমুং-মনুংদা মঙাল পী। সিদগী হেন্দোক্তুনা অতোপ্পদা, ঐনা লৈরিবা খুন্নাইদুদা অমদি মালেমদা মঙাল পীবা ঙম্মী।

করিগুম্বা ঐঙোন্দা পোজিটিভ এট্টিচ্যুদসি লৈরমদ্রবদি ঐহাক কৈদৌঙৈদসু ঐহাক্কী য়াম্না লায়রবা অমদি লাইরিক লাইশু য়াওরক্তবা ঐখোয়গী ইমুং অদুদগী লিৎখৎলকপা ওইথোক্তবনি। লাইবক ফবনা অখঙ অহৈশিংদগী পোজিটিভ ওইনা খনবা তম্লকপদগী লিৎখৎলকপা ঙম্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক, নেগেটিভ এট্টিচ্যুদ লৈবা মীওইশিংদি মঙাল পীবগী মহুত্তা অমম্বা ওইনা পীশিল্লি মাগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা অমদি মানা লৈরিবা খুন্নাইদুদা। মরম অসিননি অতোপ্পনা অফবা তৌবদা, মায় পাকপদা পূক্লিং থৌগৎপীবগী, শৌগৎপীবগী মহুত্তা তত্তনা চিংথনবা হোৎনরিবা। কিবু কিনে অতোপ্পনা মায় পাক্লকপদা, কন্না শুজদুনা শেল খরা-খরা পায়খৎলকপদা, নুংঙাইরকপদা খাঙবা ঙমদবদগী পোৎশেম জাদু তৌশিনবগী অমদি ভুট-প্রেটকা থাজিনবগী থৌওং কয়া লৈবদো মণিপুরদা।

পোজিটিভ নৎত্রগা নেগেটিভ এট্টিচ্যুদ লৈবসি ঐখোয়গী মায়থোঙদা, হকচাংদা, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা অমদি তৌথোরকপা থবকশিংদা ময়েক শেংনা উৎথোরকই (মেনিফেষ্ট)। খুদম ওইনা হায়রবদা, ঐখোয়না ওফিসতা থবক তৌবনি খঙদে, রেষ্টুরেন্ট/হোটেলদনি খঙদে, হোস্পিটালদনি খঙদে মফম অমা হেক্তা ওইসনু কষ্টমরশিংনা ইরায় লায়না উবা ঙম্মী ষ্টাফশিং অদুগী এট্টিচ্যুদসি মায়থোঙদা, ৱাঙাঙদা অমদি তৌথোরকপা থবক্তা। মরম অসিনা ঐখোয়গী এট্টিচ্যুদসি লোৎপা য়াদে।

থবক তৌবগী পোজিটিভ এট্টিচ্যুদসি মণিপুরদা/ইন্দিয়াদা তাঙনা থোকই। খুদম ওইনা পল্লবদা ওফিস অমদা হেক্তা য়েংবীয়ু ষ্টাফশিং অয়াম্বনা মোমোন-মীনোক তমদুনা কষ্টমরশিংবু তরাম্না ওকপগী হৈনবীসি লৈতে। মোমোন মীনোক তমদুনা তরাম্না ওকপগী মহুত্তা মায়থোঙদো শুক্তোক্লগা ৱা ঙাঙবা, হঙ্গৎনা ফাওবা য়েংলক্তবগী চৎনবী লৈ। ৱা ঙাঙবদা নোল্লুক্লা ঙাঙনদে, অদুগা থবক তৌবসু য়াম্না তপ্পী, নংনদে। সিগুম্বা এট্টিচ্যুদসি উবদা তাঙনা থোকই নোংপোক লৈবাকশিংদা। হায়রিবা লমদমশিং অসিদা ঐখোয়না বেঙ্কতা চৎপনি খঙদে, হোস্পিটালদা চৎপনি খঙদে, রেষ্টুরেন্টতনি খঙদে, ওফিসতনি খঙদে হেক চৎলুবদা ঐখোয়না থাগৎত্রিঙৈ মখোয়না হান্না থাগৎলকই মোমোন নোক্তুনা। মসি মখোয়গী মীপূম খুদিংমক্কী ঈদা চুখ্রবা হৈনবীনি।

মতৌ অসুম্না ইন্দিভিজুএল খুদিংমক্কী পোজিটিভ এট্টিচ্যুদ অসিনা মশা মতোমতদা ফহনবতা নত্তনা মখোয় মখোয়গী মচা-মশু অমদি ইমুং-মনুংদা অমদি মখোয়না লৈরিবা খুন্নাইদুদা য়াম্না অচৌবা ঈথিল পীদুনা চাওখৎমিন্নরিবনি। নাকল অমরোমদনা, মোমোন মীনোক য়াওদবা, তরাম্না ওকপগী হৈনবী লৈতবীদা অতোপ্পবু পূক্লিং থৌগৎপীবগী মহুত্তা চিংথনবা হোৎনবগী হৈনবী লৈবা অসিননি মণিপুর অমদি ইন্দিয়ানা চাওখৎপা অমদি মাঙদা চঙশিনবদা য়াম্না তপ্লিবা।

মরু ওইনা মণিপুরদা য়েংবীয়ু, কনাগুম্বা মীওই অমনা ফগৎলকপা, চাওখৎলকপা উবদা মাদৌনা ফগৎকে হায়না পূক্লিং থৌগৎপীবগী মহুত্তা হান্না করম্না চিংথসিগে হায়না হোৎনৈ। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি লৈবনিনা পোৎশেম জাদু তৌশিনবগী, ভুট প্রেট থাজিনবগী চৎনবী ফাওবা লৈরিবা মণিপুরদা। অসিগুম্বা ৱাখল্লোলসি হোংদোকত্রিফাওবদি লাইরিক-লাইশু হৈগরা, অচৌবা থবক তৌগেরা, শেল পায়গেরা সেফ এন্দ সেক্যুওর ওইনা, নুংঙাইনা অমদি অকি অখং য়াওদনা লৈবা হায়বদুমদি ওইথোক্লোই মণিপুরদা।

চাওখৎপা, নুংঙাইবা খুন্নাই অমা হায়বসি মীয়াম পূন্না লাইরিক লাইশু হৈরকান্দা, থবক তৌনরকান্দা, শেল থোক্লরকান্দা চাওখৎকদবনি, নুংঙাইগদবনি। মরম অসিনা মীয়াম পূন্না চৎমিন্নবা, শৌগৎমিন্নবা, মতেং পাংনবা য়াম্না মথৌ তাই চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্কে হায়রবদি। মরম অসিনা ইশা-ইশাগী এট্টিচ্যুদ পোজিটিভ ওইনা লৈনবা শেমদোকপা মথৌ তাই ঐখোয় অয়াম্বা।

অদুগা লমদম অমা পোত্থোক কয়া পুথোক্তুনা মরাং কায়না হিংবা হায়বসিসু ঐখোয়গী থবক খূৎশুদা য়াম্না লৈ। শক-চু য়াম্না মান্নবা নোংপোক লৈবাকশিংদা লৈনরিবা মীওইশিংগী এট্টিচ্যুদ য়েংসি। চাইনা, টাইৱান, জপান, হোং কোং, সাউথ কোরিয়ানচিংবা নোংপোকলোমগী লমদমশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী থবক শুবগী এট্টিচ্যুদসিগা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদা থবক তৌবগী এট্টিচ্যুদসিগা য়াম্না খেন্নে। ইন্দিয়া, মণিপুরদদি তৌদ-য়াদে হায়বগুম তৌনৈ, মথৌনি হায়না তৌবসি য়াম্না ৱাৎলি। অসিগুম্বা এট্টিচ্যুদ অসিনা মরম ওইদুনা থবক কয়া লোইশিনবা ঙমদে, পোত্থোক কয়া মতম চানা পুথোকপা ঙমদে। থবক তৌরিবা মীদুসু হরাওনা থবক তৌদে অদুগা কষ্টমর ওইনা লাক্লিবা মীওইশিংসু হরাওদে। ইরমদম মণিপুরদনা খিৎ মহেল্লে অসিগুম্বসি।

ৱাখলদা, থবক্তা নেগেটিভকী ৱাখল্লোন লৈরগা থবক তৌবসি মীদুসু মায় পাক্লন্দে অদুগা অতোপ্পনসু পাম্নদে। মায়থোঙদা, ৱাঙাঙ-শঙাঙদা, থবক তৌথোরকপদা এট্টিচ্যুদসি লোইনা য়াওই। মোমোন মীনোক তম্বা, য়াম্না ফ্রী এন্দ ফ্রেন্দলি ওইবা, তরাম-তরাম ওকপীবা, নোল্লুক্লা চৎপসি নোংপোক লৈবাকশিংদনা য়াম্না হেল্লি। মরম অসিনা, মণিপুরগী হোস্পিটালশিংদা, বেঙ্কতা অমদি ওফিস অমদা হেক চৎপসি ৱাখল ইৱাতা ৱাই করি ৱাৎলি, করি শুদে, চা থক্লুবা শেল পীয়ু হায়বনচিংবা হায়রক্কনি খনবদা।

হোস্পিটালদা অনা-অয়েক য়াওবগী নুংঙাইতবগা, শেল কয়া য়াম্না তিংগদবনো হায়বগী কোক শানা চৎলিঙৈসিদা ৱাঙাঙ-শঙাঙ ফজদবা, শক তাকখৎপা ষ্টাফশিং, নর্সশিং অমদি ডাক্তরশিং উন্নবনা অমুক্লা হেন্না অৱাবা অমদি খোইশাওনবনা হেন্না নুংঙাইহন্দে অনাবশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংদা।

পূম্নমকসি হায় হায়দুনা ঐখোয়গী অৱাৎপা লৈ হায়বদি নত্তে। তৌবতবু ঐখোয়গী এট্টিচ্যুদ হোংদোকপা মথৌ তাই। মরম অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎহনসি, নুংঙাইনা হিংমিন্নসি হায়রবদি ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোল, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি থবক তৌথোরকপদা পোজিটিভ এট্টিচ্যুদ লৈনা তৌবা তমসি, লোয়ননা চিংথবগী মহুত্তা ঐখোয় অমগা অমগা পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি, মতেং পাংনসি। পূন্না চৎমিন্নবনা, মতেং পাংনবনা য়াইফরে। ●